Get Printed Study Notes for UPSC Exams - www.iasexamportal.com/notes

CS (Main) Exam, 2020

**URC–U–MNP**

# MANIPURI
## ( PAPER—I )
### ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
| --- | --- |

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইক্রিঁঙেদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরল্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরল্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরল্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।

MANIPURI
( PAPER—I )
( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.





Get Printed Study Notes for UPSC Exams - www.iasexamportal.com/notes

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) মণিপুরী লোনসি করম্না লোনগী কাংলুপ্তা চনবগে? লোনসিগী মরুওইবা মশাজৎশিং অদু ইরকউ। 2+8=10

(b) মণিপুরী লোনগী কোম্পোনেন্ট খোম্বোক কয়া লৈবগে? করি করিনো? প, ত, চ, ক, খ, ম হায়দোকলকপগী আর্টিক্যুলেটরী দিসক্রিপসনদু তাকউ। 2+8=10

(c) সেমি-ভাৱল অমসুং ভাৱলগী মান্নবা খেন্নবা অদু খুদম পীদুনা তাকউ। 10

(d) ফ্রি রুটকা বাউণ্ড রুটকা খেন্নবদু খুদম পীদুনা ইরকউ। 10

(e) তোন কদায়বু কৌই? রেজিষ্টর তোন সিষ্টেম অমসুং কনতুর তোন সিষ্টেমদু শন্দোক্লা তাকউ। 2+8=10

**2.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) মণিপুরী লোনগী পরম্পরাবু য়েংলুরগা বাংলা, ব্রজোবোলী অমদি সংস্কৃত লোনগী মশক অসি ময়ায়চনবা মতমদগী হৌনা ইরোয়ননা লাকখি হায়বসিদা অচুম অরানগী মোত ফোঙদোক্তুনা তাকলম্মু। 20

(b) ফোনেতিকস অমসুং ফোনোলোজি হায়রগা করিবু খঙবগে? ফোনেতিকসগী মশা (branch)শিং মণিপুরী লোন্দা পানশিন্দুনা খুদমগা লোয়ননা তাক্লকউ। 5+10=15

(c) কমপ্লেক্স সেন্টেন্সকা কমপাউণ্ড সেন্টেন্সকা খেন্নবদু খুদম পীদুনা তাকউ। 15

**3.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) ক্লোজ কদায়বু কৌই? মখলশিংদু খুদম পীদুনা শন্দোক্লা তাকউ। 15

(b) নম্বর কদায়বু কৌই? মণিপুরীদা নম্বর মখল কয়া শুবগে? খুদম পীদুনা ইরকউ। 15

(c) হৌজিক মতমদা ওইরিবা মণিপুরী লোনগী ফিভম অমসুং চাওখৎলকপগী মওংদু নিংথিনা নৈনদুনা তাক্লকউ। 20

**4.** ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীয়ু :

(a) ভাৱল ডায়েগ্রাম অমা য়েক্তুনা ভাৱলশিংগী আর্টিক্যুলেটরী দিসক্রিপসনদু তাকউ। 20

(b) কোম্পোনেন্ট ক্লষ্টরগা কোম্পোনেন্ট সিক্যুয়েন্সগা খেন্নবদু খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ। 15

(c) কেস হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী নোমিনেতিপ কেস অমসুং ইন্সট্রুমেন্টাল (instrumental) কেস মার্করগী খেন্নবদু খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ। 15



Download FREE UPSC E-BOOKS FREE! CLICK HERE

Get Printed Study Notes for UPSC Exams - www.iasexamportal.com/notes

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহং পুম্নমক ৱাহৈ *150* দগী তাদনা ইগদবনি : 10×5=50

*(a)* পাম্বোইবী খোঙ্গুল হায়বসি করম্বা মখলগী সাহিত্যনো? হায়বদু নৈনদুনা তাক্লকউ।

*(b)* 'লাই নোংগারোল' লাইহরাওবগী করম্বা তাংকক্তা পাঙথোকপগে? মসিগী নুংগী ওইবা ৱাঙুরোন অদু তাকলম্মু।

*(c)* রামায়ণ মহাভারত অসি ময়ায়চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা ভক্তিসাহিত্যগী লংজিল পীরম্বা কাব্যশিংনী হায়বসি কয়ায়াম্না চুম্বগে হায়বদু নশাগী মোত ফোঙদোকলম্মু।

*(d)* 'খোংজোমনুবী নোংকারোলবু' অরিবা মতমগী নুংশিনুংওলগী সাহিত্যগী মচল অমা ওইনা নৈনরম্মু।

*(e)* 'জহেরা' উপন্যাসগী নুংগী ওইবা ফজবা অদু মরিক চুম্না য়েক্লকউ।

**6.** ৱাহং খুদিংগী পাউখুম পীয়ু :

*(a)* ফোক-বেলেড হায়বসি করিনো? হৌজিক শক্লরিবা মণিপুরী ফোক-বেলেড অমগী মরমদা নৈনরকউ। 20

*(b)* ফুঙ্গাৱারীগী মশক করম্না তাক্কনি? মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী অমগী মরমদা নৈনৌ। 15

*(c)* পাউখোং করিনো? মণিপুরী পাউখোংশিংদা তারিবা সমাজগী মঙাল অদু মরিক চুম্না ইরকউ। 15

**7.** ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীয়ু :

*(a)* মণিপুরী ৱারীমচা করম্না মতমদগী হৌরকপগে? ৱারীমচাগী লমদা লময়ানবা অইবা অমগী মরমদা নৈনরকউ। 20

*(b)* ড্রামা ইবা অমা ওইনা জি. সি. তোংব্রাবু নৈনরকউ। 15

*(c)* শগোলকাংজৈ কদায়বু কৌবগে? মশান্না অসিনা পোলো হায়না খঙনখিবগী ৱারী লীখুন অদু শুগাইনা ইরম্মু। 5+10=15

**8.** ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি :

*(a)* মণিপুরী সংস্কৃতিদা জগোয়রাস অসি করম্না থোরকখি? মখল কয়াখক লৈবগে? মখোয়শিং অদুদগী করম্বা রাসনা মরুওইবা রাসনি লৌনবগে? মরম পীদুনা তাকলম্মু। 3+2+1+14=20

*(b)* হিন্দু ধর্ম চঙলকপদগী মণিপুরী কলচরদা ওইরকপা কলচরগী শক্তম অদু নৈনৌ। 15

*(c)* 'চৈথারোল কুম্বা' হায়বসি করম্বা মখল সাহিত্যনো? নৈনরকউ। 15

* * *





Get Printed Study Notes for UPSC Exams - www.iasexamportal.com/notes

Download FREE UPSC E-BOOKS
FREE!
CLICK HERE